# ত্রিপুরা বি জে পিগী এম পিদা এটেক চথরকখ্রবা মতুং চীফ মিনিষ্টরনা চেন্নরিবশিং লেম্না থারোই হায়খ্রে

অগরটালা, নভেম্বর ১৩ (এজেন্সি):

বি জে পি এস টি মোর্চাগী নেসনল প্রসিদেন্টসু ওইরিবা ত্রিপুরাগী এম পি সমির ওরাওনদা টিপ্রা মোথাগী ৱার্কর খানা এটেক চথরকখ্রবা মতুং থৌওং অদুবু ত্রিপুরাগী চীফ মিনিষ্টর মনিক সহানা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওইশিং অমত্তা লেম্না থারোই হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা টিপ্রা মোথাদা অকনবা ৱার্নিং তৌখ্রে হায়রি।





অগরটালাদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মখা তানা হায়, ঙরাং বি জে পিগী ৱার্করশিং অমদি এম পি সমিরদা এটেক চথরকপদা চেন্নবা মীওই ৯ হৌজিক ফাওবগী ওইনা ফাগৎপা ঙমখ্রে। থৌদোক অসিদা চেন্নরিবশিং লেম্না অমত্তা থারোই। লোগী ওইবা চপ চাবা এক্সন লৌখৎকনি। অসিগুম্বা ভাইওলেন্সকী ওইবা থৌওংশিং কৈদৌনুংদা য়েংদুনা লৈথোক্লোই হায়রি।

অমরোমদা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা কোংগ্রেস অমসুং সী পি আই-এমবু হুল্লদুনা মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, হায়রিবা পার্টি অনী অসি শেল অমগী মমায় অনীনি। মতম পুম্বদা পার্টি অনী অসিনা ষ্টেট অসিদা অকি অখঙ থোকহনবা য়াবা থৌদোক কয়া থোকহন্নবা হোৎনদুনা লাক্লি। পার্টি অনী অসিনা এন্টি সোসল ওইবা থবক থৌওং কয়া চথুদুনা পৱার পায়নবা হোৎনরি। ষ্টেট অসিদা চহী খরগী মমাংদা নোংমৈ অমসুং বোমগী অচৌবা কলচর অমা লৈরমখিবা অদু বি জে পিগী ওইবা লৈঙাক লাকখ্রবা মতুং লৈখিদ্রে। মসি ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মীয়াম্না হেন্না খঙলবা ৱাফম অমনি। পৱার পায়বা ঙম্নবগীদমক রুলিংদা লৈরিবা বি জে পিদা তোঙান তোঙানবা য়ুন্স্ফম য়াওদবা মরাল কয়া শিজিন্দুনা মীয়ামদা লান্না উহন্নবা হোৎনরি। অদুবু কোংগ্রেস অমসুং সী পি আই-এমনা চথরিবা লাল্লোং অসিনা কৈদৌনুংদা বি জে পি মায়থিবা পীবা ঙল্লোই। মরমদি বি জে পি মীয়াম্না য়াবা পার্টিনি অমদি বি জে পিগী লৈঙাক লৈবাক অসিগী মীপুম খুদিংমক্না পাম্মী হায়বসি কাউরোইদবনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি হায়রি।



লৈঙাক্না য়ু লিগেলাইজেসন তৌখিবগী মায়োক্তা কাদা, নুপী সমাজ অমসুং নিমপালনা খুৎশম্নদুনা ময়াং ইম্ফালদা ৱাকৎ মীফম ফমখিবা

# পোপুলর ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়াগী ষ্টুদেন্টস ৱিংগী লুচিংবা বেঙ্গলুরুদগী ফারে



গুৱাহাটি, নভেম্বর ১৩ (এজেন্সি):

লোনা অথিংবা থমখ্রবা পোপুলর ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়া (পি এফ আই) গী ষ্টুদেন্টস ৱিংগী লুচিংবা অমা অসাম পুলিসনা ঙরাং বেঙ্গলুরুদগী ফাবা ঙমখ্রে হায়রি।

পুলিসনা ফারবা পি এফ আইগী লুচিংবা অমির হমজা অসামগী বকসা দিষ্ট্রিক্টগীনি। লৈঙাক্না পি এফ আই অথিংবা থমখ্রবা মতুং মহাক মফম খঙদনা মাঙখিবনি। মহাকপু ফানবা অসাম পুলিসনা অখন্নবা টিম অমা শেমদুনা থি হুন্নগী থবকশিং চথুদুনা লাকখিবনি। তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা লৈরিবা পুলিস দিপার্টমেন্টশিংদা মহাক্কী ইনফোর্মেসন পীদুনা থিবগী থবক চথরবা মতুং বেঙ্গলুরুদা মীওই অসি লৈরে হায়বগী অকক্লবা পাউ অমা ফংলবা মতুং অসাম পুলিসকী দি এস পি থাক্কী ওফিসর অমনা লুচিংবা টিম অমা মফম অদুদা চত্তুনা হমজাবু ফাখিবনি। মহাক বেঙ্গলুরুগী বেল্লন্দুর এরিয়াদা ত্রিপুরাদগী মীওই খরগা লোয়ননা লোত্তুনা লৈরমখিবনি।

মহাক ফারবা মতুং বেঙ্গলুরুগী এদিস্নেল চীফ মেত্রোপোলিটান মেজিষ্ট্রেটনা মতম খরা ত্রাঞ্জিৎ রিমান্দদা থম্লবা মতুং গুৱাহাটিদা অমুক হন্না পুরকখিবনি। মহাক নিংথৌকাবা নুমিত্তা গুৱাহাটিগী চীফ জুদিসিয়ল মেজিষ্ট্রেটকী মমাংদা পুথোক্লগনি হায়রি।

অমরোমদা অসামগী মকোক থোংবা পুলিস ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবদা পি এফ আইনা অরানবা মওংদা এন্টি সোসল ওইবা থবক থৌরম কয়া পাকিস্তান অমদি অতোপ্পা লৈবাক্তা বেজ তৌবা লালহৌলুপশিংগা পুন্না থবক তৌমিন্নরম্বা থেংনবদগী হায়রিবা ফ্রন্ট অসি লৈবাক অসিদা অথিংবা থম্লে হায়না লাউথোকখিবনি। মদুগী মতুং ফ্রন্ট অসিগী মেম্বরশিং ফাবগী থবক চথবা হৌখিবনি। হৌজিক ফাওবদা অসামদগী পি এফ আইগী মেম্বর ১০০ হেন্না ফাখ্রে হায়রি।

# দেল্লিদা লৈঙাক পায়রিবা আম অদমি পার্টি ফেল ওইরবা পার্টিনি : হিমন্ত বিস্ব সর্ম

গুৱাহাটি, নভেম্বর ১৩ (এজেন্সি):

দেল্লিদা মতম শাংনা লৈঙাক পায়দুনা লাক্লবা অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা লুচিংবা আম অদমি পার্টি অসি ফেল ওইরবা পার্টি অমনি হায়না অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্ব সর্মনা হন্দুনা ঙাঙখিবগা লোয়ননা চহী ১০ রোম অসিদা পার্টি অসিনা কান্নবা থবক অমা পায়খৎপা লৈত্রি হায়রি।

অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্ব সর্মনা দেল্লিগী চীফ মিনিষ্টর আর্বিন্দ কেজ্রিৱাল হন্দুনা ঙাঙবা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবা নত্তে। লুচিংবা অনী অসিগী মরক্তা সোসল মিদিয়াগী খুথাংদা অৱায় অখুম তৌনদুনা লাক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্ব সর্মনা ফোঙদোকখিবদা, পার্টি অসিনা লৈবাক অসিগী মীয়াম্বু অপংবা ৱাখল খন্থবা ঙমদবা ওইনা উরি অমদি নারোন্দা অরানবা থবক কয়া তৌরি। দেল্লিদা লৈঙাক পায়বদগী হেন্দোক্তুনা পঞ্জাবতসু লৈরিবা এ এ পিগী গভর্নমেন্ট অসি মায়থিরবা লৈঙাক অমনি। পঞ্জাবতা এ এ পিগী লৈঙাক লাকখ্রবা মতুং ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নবা হৌখ্রে। পঞ্জাবতা লৈরিবা এ এ পি গভর্নমেন্ট অসি অনীরকশুবা ওইনা ষ্টেট অসিদা লৈবা ঙল্লোই। মরমদি পঞ্জাবকী মীয়াম্না হৌজিক লৈরিবা এ এ পিগী লৈঙাক অসিদা থাজবা থম্লম্বা কয়া অদু মাঙখ্রে। মথংদা পাঙথোকপা ইলেক্সনদা এ এ পিবু বি জে পিনা চাওনা মায়থিবা পীবগা লোয়না দেল্লি অমসুং পঞ্জাবতা বি জে পিগী লৈঙাক লৈহল্লগনি হায়রি।

# অসাম পুলিসনা লুপা ক্রোর ১ রোমগী ওইগদবা হিরোইন ফারে

বোকাজান, নভেম্বর ১৩ (এজেন্সি):

অসাম পুলিসনা ষ্টেট অসিবু দ্রগ ফ্রি ওইহন্নবগী পান্দমদা চথরকবা দ্রাইবশিংগী মনুং চন্না ঙরাং অহিং অসাম অমসুং নাগালেন্দগা তাইনবা কর্বি অংলোংদগী নুপা অমা লুপা ক্রোর অমরোমগী ওইগদবা হিরোইনগা কোন্ননা ফারে হায়রি।

পুলিসকী রিপোর্ট মতুংইন্না ফারবা মীওই অসি মণিপুরগী বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ক্বাক্তা ভিলেজ দগীনি। মহাক্কী মমিং নৱাজ খান (২১) কৌই। মহাক অবদুল জয়নালগী মচানুপানি। পুলিসনা অকক্লবা পাউ অমা ফংবদগী ঙরাং নুমিদাং খতখতি পুলিস ষ্টেসনন্না কোনবা মতিপুল রেলৱে ট্রেক মনাক্তা থি হুন্নগী থবক চথখি। মদুদা য়াম্না চিংনিঙাই ওইবা মওংদা মীওই অমা চৎলম্লদগী পুলিসনা চেক তৌরুবা মতমদা সোপ বোক্স ৫৫ দা হিরোইনশিং হাপ্পুনা পুরম্লা থেংনখিবনি। মহাক মখা তানা ৱাহং চথনবগীদমক পুলিস রিমান্দ লৌথখ্রে হায়রি।

# আই আর বি পর্সনেল অমনা মহাক্কী কোলিগ কাপ্তুনা হাৎখ্রে

ইটানগর, নভেম্বর ১৩ (এজেন্সি):

অরুনাচল প্রদেশকী মনুং চনবা ইটানগরগী দোইমুখ এরিয়াদা ইন্দিয়ন রিজর্ব বটালিয়ন (আই আর বি) পর্সনেল অমনা মহাক্কী কোলিগ অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে হায়না পুলিসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবদা, আই আর বি পর্সনেলশিং অসি দোইমুখতা লৈবা রাজিব গান্ধী য়ুনিভর্সিটিদা দিপ্লোই তৌদুনা লৈবনি। ঙরাং নুমিদাং হেদ কন্সটেবল ৱাংরু তাইদোং অমসুং কন্সটেবল চিঙ্গ্রি মোমা অনীগী মরক্তা অকনবা মরৈ য়েৎনখি। মদুদা হেদ কন্সটেবল ৱাংরুনা মহাক্কী সর্বিস রাইফলনা নোংমৈ মরক অনী কাপথোরকখিবনি। নোংমৈ কাপ্পগী মখোল তাবদগী অতোপ্পা পর্সনেলশিং থোরক্তুনা নোংমৈনা পানবদগী শোক্লবা মোমাই মনাক নাক্লা লৈবা হোস্পিটাল অমদা পুখৎলকখি। অদুবু হোস্পিটাল য়ৌরবা মতুং মহাক্ন শিনা পুখৎলক্লে হায়না দোক্টরশিংনা লাউথোরকখিবনি হায়রি।

# অসামগী দিব্রুগরদা লম্লক্কী শামুশিংনা মীওই অমা নেৎখায়দুনা হাৎখ্রে

গুৱাহাটি, নভেম্বর ১৩ (এজেন্সি):

অসামগী য়াম্না তোয়না থোকপা থৌদোকশিংগী মনুং চন্না ঙরাংসু মীওই অমা লম্লক্কী শামুশিংনা নেৎখায়দুনা হাৎখ্রে হায়না ওফিসল ওইবা রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না থৌদোক অসি ঙরাং নুমিদাং থোকখিবনি। লাইবক থিবা থৌদোক অসিদা লৈখিদ্রবা মীওই অসিগী মমিং নন্দেসোর গোগোই কৌই। মহাক নামপুর পুলিস ষ্টেসনন্না কোনবা অভয়পুর ভিলেজদগীনি। ঙরাং মহাক নামরুপ কার্মেটিতা চৎলুরবা মতুং ময়ুমদা হল্লকপগী লম্বীদা লম্লক্কী শামু খরনা মহাকপু তান্নরকখি। শামুশিং অদুনা মহাকপু তান্নরক্লবা মতুং নন্দেসোরবু নেৎখায়দুনা হাৎখিবনি হায়রি।

অমরোমদা লোকলগী মীওইশিংনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না জয়পুর রিজর্ব ফোরেষ্টতগী লম্লক্কী শামুশিং য়াম্না তোয়না মী তাবা মফমশিংদা মচিঞ্জাক থিবা থোরকই। মসিনা মরম ওইরগা মনাক নকপা খুঙ্গংশিংদা লৈরিবা মীওই কয়াদি



য়ুমদগী মপান থোকপদা অকিবা ফাওনরে। থৌদোক অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টতা খঙহনখিবগা লোয়ননা শামুশিং অসি খুঙ্গংদা চঙশিল্লকপা থিংনবা থবক থৌরমশিং পায়খৎনবা হায়জবা লৈখ্রে। অদুবু হৌজিকমক্কী ওইনদি থবক অমত্তা পায়খৎলকপা উদ্রি। মরম অদুনা অথুবা মতমদা মরী লৈনবশিংনা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং পায়খৎপীয়ু হায়রি।

অমরোমদা লৈখিদ্রবা নন্দেসোরগী ময়াম্বনা মহাক্কী ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা লৈঙাক্না কম্পেন্সেসন পীবিয়ু হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবা অসিগী লৈহৌরিবা মচাশিংনা মহে মশিং তম্বদা চঙগদবা শেনফমশিং লৈঙাক্না পুথোকপীনবা হায়রি। মখোয়গী খুঙ্গং অসিদা শামুশিং য়াম্না তোয়না চঙলক্লিবা অসিসু থিংনবা অপিল তৌরক্লি।

## CROSSWORD-3700



**ACROSS**

7 Delighted (4,3,4)
8 Leisurely walk (6)
9 Shake with cold (6)
10 Wooden hammer (6)
12 Peak (6)
13 Nervous twitch (3)
14 Colour of the spectrum (6)
16 Nonsensical (6)
18 Belly laugh (6)
20 Fair-haired (6)
22 Plotter (11)

**DOWN**

1 Young horse (4)
2 Draw back, as with fear(6)
3 Long dagger (8)
4 A smaller amount (4)
5 Speaker's platform (6)
6 Inside (8)
11 Proclaim (8)
12 Sheath for a sword (8)
15 Very young child (6)
17 Unwrinkled (6)
19 Cried (4)
21 Highland dagger (4)

**Solution 3699**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| L | O | C | A | T | E | | A | S | Y | L | U | M |
| O | | A | | R | | | | C | | O | | O |
| C | O | B | R | A | | U | N | A | I | D | E | D |
| U | | A | | I | | N | | L | | G | | E |
| S | T | R | E | T | C | H | | P | R | E | S | S |
| T | | E | | | | E | | E | | | | T |
| | | T | A | R | P | A | U | L | I | N | | |
| P | | | | E | | R | | | | E | | U |
| L | A | R | K | S | | D | E | A | D | P | A | N |
| A | | E | | T | | O | | B | | T | | S |
| C | A | S | T | O | F | F | | Y | O | U | T | H |
| I | | T | | R | | | | S | | N | | O |
| D | U | S | T | E | R | | A | S | C | E | N | D |

SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-4099**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | | 2 | | | | | | 7 |
| 9 | | | | 7 | 2 | | | 4 |
| | 7 | | | | 1 | | | |
| | | 6 | | 8 | 7 | | 4 | |
| | 4 | | 9 | | 3 | | 1 | |
| | 2 | | 4 | 1 | | 6 | | |
| | | | 7 | | | | 6 | |
| 4 | | | 8 | 2 | | | | 9 |
| 6 | | | | | | 4 | | 8 |

**Solution-4098**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | 4 | 3 | 1 | 6 | 2 | 8 | 7 | 5 |
| 1 | 7 | 6 | 5 | 3 | 8 | 2 | 4 | 9 |
| 5 | 8 | 2 | 4 | 7 | 9 | 6 | 1 | 3 |
| 3 | 6 | 7 | 9 | 8 | 1 | 5 | 2 | 4 |
| 8 | 5 | 1 | 7 | 2 | 4 | 3 | 9 | 6 |
| 4 | 2 | 9 | 6 | 5 | 3 | 1 | 8 | 7 |
| 7 | 3 | 4 | 2 | 1 | 5 | 9 | 6 | 8 |
| 2 | 9 | 8 | 3 | 4 | 6 | 7 | 5 | 1 |
| 6 | 1 | 5 | 8 | 9 | 7 | 4 | 3 | 2 |

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

## EMPLOYMENT NEWS

### IB RECRUITMENT 2022 FOR 1671 SECURITY ASSISTANT, MULTI-TASKING STAFF

Intelligence Bureau (IB) Security Assistant, Multi-Tasking Staff (MTS) Recruitment 2022
Advertisement for the post of Security Assistant, Multi-Tasking Staff (MTS) in the Intelligence Bureau (IB). Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their applications directly before 25th November 2022. Candidates can check the latest Intelligence Bureau (IB) Recruitment 2022 Security Assistant, Multi-Tasking Staff (MTS) Vacancy 2022 details and apply online at www.mha.gov.in/ recruitment 2022 page.
The Intelligence Bureau (IB) Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.mha.gov.in/. Intelligence Bureau (IB) selection will be done on the basis of tests/interviews and shortlisted candidates will be appointed to Anywhere In India. More details of www.mha.gov.in/ recruitment, new vacancies, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, results, upcoming notifications and etc. will be uploaded on the official website.
Security Assistant, Multi-Tasking Staff (MTS)
Corporate Location:
North Block, New Delhi, 110001 Delhi
Job Location: Anywhere In India.
Last Date: 25th November 2022
Employment Type: Full-time
Number of Vacancy: 1671 Posts
Educational Qualification:
(i) Matriculation (10th class pass) or equivalent from a recognized Board of Education, and
(ii) Possession of domicile certificate of that State against which candidate has applied.
(iii) Knowledge of any one of the local language/dialect mentionedin Table 'A' above against each SIB.
Pay Scale:
INR
18000-69100/- Per Month
Age Limit: MTS: 18-25 years. Security Assistant/Executive: Not exceeding 27 years as on 25.11.22.
Selection Process: please refer to official notification.
Application Fee:
General, OBC, EWS Candidates Fee:- 450/-
SC, ST Candidates Fee:- 50/-
All Category Female Candidates Fee:- 50/-.
How to Apply:
Applications for this job are to be filled out online / Offline. Please follow the link given below to apply (or visit the original job details page): https://www.mha.gov.in/ (Application Form Start: 05 November 2022)
Important Dates:
Published on: 27th October 2022
Last date for application is: 25th November 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

### AMDER RECRUITMENT 2022 FOR 321 JTO, ASSISTANT SECURITY OFFICER, SECURITY GUARD

Atomic Minerals Directorate for Exploration and Research (AMDER) Junior Translation Officer (JTO), Assistant Security Officer (ASO), Security Guard Recruitment 2022
Advertisement for the post of Junior Translation Officer (JTO), Assistant Security Officer (ASO), Security Guard in the Atomic Minerals Directorate for Exploration and Research (AMDER). Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their applications directly before 17th November 2022. Candidates can check the latest Atomic Minerals Directorate for Exploration and Research (AMDER) Recruitment 2022 Junior Translation Officer (JTO), Assistant Security Officer (ASO), Security GuardVacancy 2022 details and apply online at www.amd.gov.in/ recruitment 2022 page.
The Atomic Minerals Directorate for Exploration and Research (AMDER) Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.amd.gov.in/. Atomic Minerals Directorate for Exploration and Research (AMDER) selection will be done on the basis of tests/interviews and shortlisted candidates will be appointed to Anywhere In India. More details of www.amd.gov.in/ recruitment, new vacancies, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, results, upcoming notifications and etc. will be uploaded on the official website.
Junior Translation Officer (JTO), Assistant Security Officer (ASO), Security Guard
Corporate Location:
Begumpet, Hyderabad, 500016 Telangana
Job Location: Anywhere In India.
Last Date: 17th November 2022
Employment Type: Full-time
Number of Vacancy: 321 Posts
Educational Qualification:
Junior Translation Officer (JTO): Master Degree in Hindi / English with English / Hindi as a main subject at degree level. OR Master Degree in any subject with Hindi and English as main subjects at Degree. OR Master Degree in any Subject with Hindi / English medium and English / Hindi as a main subject at Degree level.
Assistant Security Officer (ASO): Candidates must have Graduation Degree or Equivalent qualification from a recognized University/ Institute.
Security Guard: Candidates should have 10th Pass from any recognized Board.
Pay Scale:
INR
18000-35400/- Per Month
Age Limit: 18-28 Years.
Selection Process: please refer to official notification.
Application Fee:
JTO & ASO Application Fee: Rs.200/-
Security Guard Application Fee: Rs.100/-
SC, ST Candidates Fee: Rs.0/-
Female, ESM, PwD Candidates Fee: Rs.0/-
How to Apply:
Applications for this job are to be filled online. Please follow the link is given below to apply (or visit the original job details page): https://www.amd.gov.in/, (From 29 October 2022) This Jo Source is Employment News 29 Oct - 4 Nov 2022, Page No.24.
Important Dates:
Published on: 27th October 2022

Last date for application is: 17th November 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification




